# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ উথুম # ৩৪১

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা এঞ্জাং ওইনা য়াম্না পাম্না চানবা উ পাম্বীশিংগী মরক্তা উথুম পাম্বী অসিসু অমনি। উথুম পাম্বী অসি ইংলিসতা কোদা ত্রী (Koda tree), অসামিজদা বোৱাল (Bowal) নৎত্রগা গুৱাল (Gual) নৎত্রগা পোজার (Pojar) নৎত্রগা পুরুজা (Puruja), গারোদা বোল-আর্তোক (Bol-artok), কার্বিদা চেলৱান-আরোং (Chelwan-arong) নৎত্রগা চোর্সিং সো (Chorsing-soh), মিশিংদা শিশু-পায়াং (Sishu-payang), নেপালিদা নালসুরা (Nalasura) নৎত্রগা সেতো লোদো (Seto lodo) নৎত্রগা চিললে (Chille), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা ইরেসিয়া একুমিনাতা (Ehretia acuminata R. Br.) নৎত্রগা ইরেসিয়া সেরাতা (Ehretia serrata Roxb.) নৎত্রগা ইরেসিয়া থাইর্সিফ্লোরা (Ehretia thyrsiflora Nakai) নৎত্রগা ইরেসিয়া আরগায়ি (Ehretia argyi H. Lev.) নৎত্রগা ইরেসিয়া ভর্গাতা (Ehretia virgata Blanco) নৎত্রগা ইরেসিয়া তাইৱানিয়ানা (Ehretia taiwaniana Nakai) নৎত্রগা ইরেসিয়া পোলিয়ান্থা (Ehretia polyantha DC.) হায়না কৌই অমসুং বোরাজিনেসী (Boraginaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা পাম্বী অমা হায়রগদি - লৈহেনবী নৎত্রগা হামেং মৈনপ্পী (Heliotropium indicum L.) অসিনি। উথুম পাম্বী অসিগী শাগৈ অসি বোরেজ (Borage) নৎত্রগা ফোর্গেট-মী-নোট (Forget-me-not) হায়নসু খঙনৈ অমসুং মসিগী মনুংদা জেনেরা ১৪৬ অমসুং স্পিসিস ২,০০০ রোম লৈবগী পাউদম লৈ অদুগা ইরেসিয়া জিনস অসিগী মনুংদনা স্পিসিস ৫০ রোম লৈ। বোটানিষ্ট খরনদি উথুম পাম্বী অসি তোঙানবা শাগৈ ইরেসিয়েসী (Ehretiaceae) দা থম্বসু য়াওই।

উথুম হায়রিবা পাম্বী অসি ময়ায় ওইরকপদগীনা য়াম্না চাওবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি ফুট ১০০ ফাওবা ৱাংই অমসুং মখোক অদু সেন্টিমিটর ৯০ ফাওবা চাওই। উথুম পাম্বী অসি দেসিদুঅস (Deciduous) হায়বদি চহী অমগী মনুংদা মতম খরা মনা কেনগল্লি। পাম্বী অসিগী মনাগী অকোয়বা অদু হোরায় ময়াগুম্না য়াৎলি অমসুং নৌরিঙৈদা মচু অদু চেক মচু চঙলবসু লিশিল্লক্লবদি শংত্রিক শংই। পাম্বী অসিগী অঙৌবা মচুগী অকুপ্পা লৈশিং অদু মনম নুংশি। মহৈ অদু খূৎনাওবীমুক চাওনা মতুম তাই অমসুং কোমলা মচু ওই। উথুম পাম্বী অসি সেপ্টেম্বর থাদগী নবেম্বর থা ফাওবদা লৈ শাৎলি। অদুগা জন্যুৱারী থাদগী এপ্রিল থা ফাওবা মহৈ অদু মপূং ফানা মুল্লি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না উথুম পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, চাইনা, জপান, ভুটান, ইন্দোনেসিয়া, ভিয়েটনাম অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মনুংদা মরু ওইনা মণিপুর, অসাম অমসুং মেঘালয়াদা উথুম পাম্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌই। সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ১০০ ৱাংবা মফমদগীনা মিটর ১৭০০ ৱাংবা মফম ফাওবদা উথুম পাম্বী অসি হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উথুম পাম্বী অসি অনেম্বা চীংগী মফমশিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিং মরু ওইনা তুরেল অমসুং খোংগী মপালদা তোয়না হৌবা থেংনৈ। নেপালদসু উথুম পাম্বী অসি মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। উথুম পাম্বীগী জেনেরিক্কী ওইবা মমিং ইরেসিয়া অসি জর্মনগী অফাওবা বোটানিষ্ট জোর্জ দাইওনাইসিয়স ইরেত (Georg Dionysius Ehret) কুমজা ১৭০৮দগী ১৭৭০ ফাওবা হিংলম্বা অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কী মমিং অদু লৌদুনা থোনখিবনি।

উথুম পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উথুম পাম্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু এঞ্জাং থোংদুনা অহাওবা মথেল অমা ওইনা চানৈ। ঙারি খরা নৎত্রগা ঙা অয়ায়বা অমসুং আলু পানা শোইরগা থাও ঙৌদনা চমথোং ওইনা পাম্না চানৈ। কনাগুম্বা খরনসু উথুম পাম্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু শীংজু শুবদসু মচল অমা ওইনা হাপ্লে। কালেন থাগী অহাওবা এঞ্জাং মখেল অমনি। মণিপুরগী অয়াম্বা কৈথেলশিংদা উথুম পাম্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু কৈথেলশিংদা ইমা-ইবেনশিংনা মথা মথা থারগা তোয়না য়োনবা থেংনবীগনি।

উথুম পাম্বীগী মহৈ অদু হিংনা অমদি এঞ্জাং থোংদুনসু চানৈ। উথুম পাম্বীগী মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অদুদগী শেন্বা আচার (Pickle) অসি য়াম্না হাওই অমসুং কৈথেলশিংদা লৈবা-য়োনবা তৌনৈ। পাম্বী অসিগী মমুন ফারবা মহৈ অদু থুমই অমসুং থোইদোক্লা মহাউ লৈ। উথুম পাম্বীগী উ অদু মহূৎ কুপ্পা অমদি য়াম্না কনবা মরম্না থাঙ-তেন অমদি খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মখোক পানবদা য়াম্না খুদোং চাই। ফিলিপিন্সতদি উথুম পাম্বীগী উ অদু যূম কৈ শাবা, উপু কাংথোল চনবা, চাকখুমদা থুম-মোরোক অমদি মরূ-মরাং থম্নবা উপু অমদি তেঙ্গোৎ শাবদা পাক শন্না শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। ষণপোৎ খোইনবা লাঙ্গোল শাবদসু উথুম পাম্বীগী উ অসি শীজিন্নৈ। উথুম পাম্বীগী উ অসি য়াম্না মগুণ লৈবা শীং (Firewood) অমা ওইনসু পাম্না শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী মহৈ অদু উচেকশিংনা মরু ওইনা কোকিল, খুনু, লম খুনু অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ান ফিগবার্দশিংনা য়াম্না পাম্না চাবগী পাউদমশিং লৈ। মফম খরদদি উথুম পাম্বী অসি লম্বী-শোরোক্কী মতায়দা এভেন্যু ত্রী অমা ওইনা থানবগী পাউদমসু লৈ। চাইনাগী অরিবা অনা-লায়েংদা উথুম পাম্বীগী মনা অমসুং উগী মকু অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা অরূম লাইহৌ তৌবা, চিন লৈ চাথপা অমসুং খোঙ হামথবদু লায়েংনৈ। উথুম পাম্বীগী উগী মকু অদু পোপ্লি-পোপ্লি শুগাইরগা ঈশিংদা পুং অনীরোম তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা অরুম-লাইহৌ তৌবদা লায়েংনবগী পাউদম লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উথুমগী অনৌবা মনা শুগায়রগা লৌবা মহী অদু অঙাংনা লোক থুংবদা পীথক্লে। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## ঐচ আই ভি / এইদসকা শগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংদা ইম্যুনিটি কিটশিং য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর নেটৱার্ক ওফ পোজিটিব পিপল (এম এন পি +) অমসুং আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসননা শিন্দুনা লমদম অসিদা লৈরিবা ঐচ আই ভি অমসুং ঐইদসকা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংদা ইম্যুনিটি কিটশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দা লৈবা এম এন পি + কী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা জোইন্ট দিরেক্টর সী এস টি মেক্স ডা. হেমলাতা থোকচোমনা হায়, মীওইবগী হকচাংদা নারকপা মতমদা ৱাখলদা হান্না তাইনরকই। মরম অদুনা ৱাখল নুংঙাইনা লৈনবা মতম পুম্বদা হোৎনগদবনি। হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবদা ৱাখল নুংঙাইনা লৈবা তঙায়ফদে। হকচাং ফবা অমসুং ৱাখল নুংঙাইবা অনী পুন্না চৎমিন্নরবা মতমদা লায়না তিন্না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হায়নদুনা লাক্লবা হকচাং ফবনা খ্বাইদগী শেংলবা লন্নি হায়রিবা অদু য়াম্না চুম্বা ৱাফম্নি। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনগদবনি।

হন্দক্তা মালেম পুম্বদা চৈথেং পীখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোরকপা মতমদা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেম কন্না লৈহনবা মথৌ তাই হায়বসি মীয়াম্না খঙনরকপগুম তৌই। কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে হায়বা মতমদা ৱাখলগী মপাঙ্গল শোন্থরকই। মরম অদুনা ইম্যুন সিষ্টেমসু হন্থরক্তুনা পুন্সি মাঙবা য়াবগী ফিভমদা লাকহল্লি। চপ মান্ননা ঐচ আই ভিনা ইনফেক্ট তৌরবা মীওই অমনা ৱাখল নুংঙাইথোক্লা লৈবা ঙমদবদগী মনুং মতম চাদনা লৈখিদবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। অদুবু হৌজিক এ আর টি লাক্লবনিনা ঐচ আই ভিনা ইনফেক্ট তৌরে হায়রবসু কা হেন্না নুংনাংনিঙাই ওইদ্রে। অখঙ অহৈশিং তানদুনা মতম চানা হিদাক চারবদি মতম শাংনা হিংবা ঙম্লে। অমরোমদা ৱাখলদা এইদস নাদুনা শিরগনি হায়বা ৱাখল অসি থাদোক্তুনা নুংঙাইনা হিংনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসননা হিরম অসিগী মতাংদা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি থাগৎনিঙাইনি। মখা তানসু ফাউন্দেসন অসিগা খুৎশম্নদুনা থবক তৌমিন্নবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি। অমরোমদা এইদসনা নারবা মীওইশিংগীদমক পীরিবা হিদাকশিং অসি চাং নাইনা চারবদি ৱাখল নুংঙাইবা হেনগৎলকপগা লোয়নন্না ইম্যুন সিষ্টেম কনবসু হেনগৎলক্কনি। মরম অদুনা মতম শাংনা হিংবদা মতেং ওইগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম এন পি + কী প্রসিদেন্ট এল দিপকনা থৌরম মপু ওইখি। অদুগা আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসনগী সিনিয়র ফেকলটিশিং এল দিক্সন, রজাক রহমন, ইরোম সোনি অমসুং ডা কে রোমিওনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## থা অসিগী ১৭-১৯ ফাওবদা মিস শিরুই লিলিগী ওদিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): সেভেন সিষ্টর ফাউন্দেসননা হান্না মমাংদা মিস স্প্রিং হায়না পাঙথোক্তুনা লাকখিবা অদু মতম খরা লেপ্লুরবা মতুং মিস শিরুই হায়না মিংথোন্দুনা অমুক হন্না পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না ফাউন্দেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সেভিও খোলেনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মরিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাঊগী মীফম অমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্ট অসিগী মেনেজিং দাইরেক্টরসু ওইরিবী হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা মিস মণিপুর, মিস কুট অমদি মিস বরাক্কী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবী এ আর মাট্রিংনা ফোঙদোকখিবদা, মিস শিরুই লিলি হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি হান্না মিস স্প্রিং হায়না পাঙথোক্লম্বা অদুনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ অমসুং ২০১৯ দা মিস স্প্রিংগী ইভেন্ট পাঙথোকখ্রে। মদুগী মতুং য়াম্না মুন্না খন্নরগা মিস শিরুই লিলি হায়না মিংথোন্দুনা মিস কন্টেষ্ট অসি শিনবদা য়ানখিবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মিস কন্টেষ্ট অসিগী ওদিসন লাক্লিবা তাং ১৭ তগী হৌরগা ১৯ ফাওবদা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১৭ তা অহানবা ওদিসন উখ্রুলদা পাঙথোক্কনি। অদুবু তাং ১৮ দনা ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি অমসুং ১৯ দনা ওন লাইন ওদিসন পাঙথোক্কনি। ওন লাইন ওদিসন পাঙথোক্কদৌরিবা অসি ষ্টেট অসিগী মপান্দা লৈখিবা কয়া অদুগী য়েংলগনি। মপান্দা লৈরিবা লমদম অসিগী নুপীশিংনা ওদিসন য়াওবা লাকপদা খুদক্কী ওইনা থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং অদুগী খল্লগা ওনলাইন ওদিসন পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। থা অসিগী ২৭ তা উখ্রুলগী শিরোই ভিলেজতা মিস শিরোই লিলি ২০২২গী গ্রান্দ ফিনালে পাঙথোক্কনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা কন্টেষ্ট অসিনা মিস শিরুই লিলিগী ওইনদি অহানবা এদিসন ওইরি। মিস কন্টেষ্ট ইভেন্ট অসি শিরুই ফেষ্টিবেল কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা সেভেন সিষ্টর ফাউন্দেসন অমসুং কোংহাম ইভেন্ট পুল্লগা পাঙথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না কন্টেষ্ট অসি শিনবদা অয়াবা পীরকখিবগীদমক উখ্রুল এ সীগী এম এল এ রাম মুইভা অমসুং চীফ মিনিষ্টর বিরেনবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## নুমিৎ নীনী চথুগদবা অহুমশুবা কোরিয়ন ষ্টদিজকী ৱার্কশোপ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): কোরিয়া ফাউন্দেসনগী স্পোন্সরশিপ মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন লেংগ্বেজ, কোরিয়ন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শিন্দুনা ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী কোর্ট হোলদা নুমিৎ নীনী চুপ্পা চথুগদবা অহুমশুবা কোরিয়ন ষ্টদিজ ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার এন লোকেন্দ্রা, মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া কোরিয়ন এসোসিএসনগী চেয়রমেন সিয়োংহি হাম, দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন লেংগ্বেজ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোগ্রাম দিরেক্টর প্রোফেসার হ্যুনক্যুং, দিপাটমেন্ট ওফ ফোরেন লেংগ্বেজকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসর এস ইমোবা অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিন ওফ হ্যুমেনিটিজ প্রোফেসর এন অরুনানচিংবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱার্কশোপ দিরেক্টর প্রোফেসার হ্যুন ক্যুংনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেট মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা কোরিয়ন লেংগ্বেজকী কোর্স অমা হাঙদোক্তুনা মহৈরোয়শিংদা লোল অসি তম্বগী খুদোংচাবা পীরম্বা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। মসিনা কোরিয়া অমদি মণিপুর মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী অমা শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। লোয়নন্না ইন্দিয়া অমদি কোরিয়া লৈবাক অনীগী ওইবা কলচর, হিষ্টরি, ইকনমি অমদি এদ্যুকেসনগী লমদসু ৱার্কশোপ অসিনা চাওনা কান্নবা পীরগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা হায়স্কুল অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী ওজা খরসু শরুক য়াখি। নুমিৎ নীনী চথুগদবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোরিয়ন লেংগ্বেজকী মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী জগোয় ঈশৈশিংসু উৎখি।

## অরানবা মওংদা রেলৱে ঈ টিকেট য়োল্লম্বশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেনা কোনবা শরুকশিংদা লোনা য়াদবা মওংদা রেলৱে ঈ টিকেট য়োনবগী থবকশিং চথুরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী এন এফ রেলৱেগী রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেসনশিংদা চথুখিবা থি হুম্বগী থবক্তা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ঈ টিকেটিংগী থবক তৌরম্বা মীওই ৭ ফাবা ঙম্লে হায়রি।

থি হুম্বগী থবক অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা এজেন্সি মঙাদা চথুখিবনি। থা অসিগী ১০ দগী ১২ ফাওবা চথুখিবা থি হুম্বগী থবক অসিদা লুপা ৭০,০০০ গী ঈ টিকেটশিং ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়নন্না অরানবা থবক তৌরল্লিবা মীওইশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি। হৌজিক ফাওবদা আর পি এফনা লুপা লাক্ষ ৬ হেনবগী ঈ টিকেটশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখা তানা চিংনবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথুখিগনি হায়না এন এফ রেলৱেগী চীফ পব্লিক রিলেসন্স ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, আর পি এফনা ফারবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা রেলৱে এক্টকী সেক্সন ১৪৩ গী মখাদা চার্জ তৌখিবগা লোয়নন্না ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌরগনি। মীয়াম্না মখা তানা অসিগুম্বা ইল্লিগেল ওইবা থবকশিং তৌদনবা খঙহল্লক্লি।

## চয়েৎনবশিং ফম্মিন্নদুনা য়ানবা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফালগী দ্যুলালেন্দদা লৈবা মণিপুর ক্রিয়েটিব স্কুলনা চল্লাইবা হোষ্টেলগী মতাংদা মতম খরগী মমাংদগী চয়েৎনবা খরা লৈরকখিবা অদু লমদম অদোমগী দাইত্ব লৈরবা লিদরশিং য়াওনা তাঙ্কক কয়ারক ৱারী শান্নরবা মতুং থা অসিগী ১০ দা স্কুল অসিগী চ্যেরমেন অমদি ওনর মশাগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুং য়াশিন্নবা পুরকখ্রে অমদি হোষ্টেল অসি হান্নগুম চল্লাইবা হৌরগনি হায়না মণিপুর ক্রিয়েটিব স্কুলগী হোষ্টেল বিল্ডিং মপু এম দি অঙৌ খাননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী দ্যুলালেন্দদা লৈবা মণিপুর ক্রিয়েটিব স্কুলদা স্কুল অসিগী চ্যেরমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টর এম দি রাইস অহমদ অমদি তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা অঙৌ খাননা হায়, লাক্লিবা কুমজা ২০২৩গী মার্চ ৩১ ফাওবগী ওইনা হোষ্টেল অসি শিজিন্নবা য়ারগনি। স্কুল বিল্ডিং অসিসু হান্না য়ানখিবা মতম অদু ফাওবদা শিজিন্নবদা অয়াবা পীরে। হান্না লৈরম্বা চয়েৎনবশিং লৈত্রবনিনা হান্নগুম স্কুল অসিদা মহৈরোয়শিং লাক্লবা অপিল তৌখি।

Office of the
PUNSHI KEITHEL WOMEN VENDOR ASSOCIATION
Regd. No. 1146/SR/IW/2015
NOTICE
30th April, 2022
Notice অসিনা মরম ওইদুনা মেম্বরশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি- লাক্লিবা মেগী তারিখ ২০, ২০২২ ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ (অমা) তাবা মতমদা Punshi Keithel Women Vendor Assn. গী ওইবা General Body Meeting অমা Langthabal Kunja Makha Leikai গী Community Hall দা পাঙথোকচগনি।
হায়রিবা মীটিং অসিদা মেম্বরশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা শরুক য়াবিনবা মেম্বরশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা খঙহঞ্জরি। মীটিং অসিদা লাক্তবা মেম্বরশিংগী মতুং তাবা ৱাকৎ লৌজরোই।
খন্নগদবা হীরম ঃ-
১) Election of MC member.
২) অতৈ-অতৈ।
Sd/- T. Rita Devi
Ex. Secy.
Punshi Keithel Women Vendor Assn.
HL-P/2552/14

TRAIN YOURS CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
জপানগী Technology অমগী মতেংনা Sunday খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা Mid Brain Activation Courses অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল, বুধি লৌশিং থৌহনবা অমদি Super Power Brain ওইহনবগা লোয়নন্না ঐখোয়গী অখন্নবা counselling অমদি motivation কয়ানা, ফজবা লমচৎ, হায়বা-ইনবা, মরম মোকপা অঙাং অমা ওইহনবা ঙম্বদা নত্তনা মীথোই-মীহেনবা, পুন্সিগী অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহন্নবগীদমক কোর্স অসি য়াওবীহৌ। Student খূদিংগী 100% Guarantee পীজগনি। অকক্লবা সিট মশীং ওইবনা ঙসিমক Call তৌবীরক্তুনা অকুপ্পা মরোল খঙবীবগা লোয়নন্না Book তৌবীহৌরো।
Sd/- Narajit Moirangthem
MD, Genius Mind Tech Imphal
# 8787562714 / 9862287481
HL-P/1343/14,15

ADMISSION OPEN
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7616/22/4-20/5 (alt)

OFFICE OF THE
MEMORIAL MODEL ACADEMY
YAIRIPOK BAZAR - 795149
/ WANTED
The following post is lying vaccant and interested persons can submit the relevant documents on or before 14th May 2022 at the school office.

| Sl. No. | Vaccant Post | No. of Post | Qualification | Pay scale : 10000+ Date of Interview : 16th May 2022 |
|---|---|---|---|---|
| 1 | English | 1 | M.A.B.Ed/D.El.ED | Time of Interview : 9.30 a.m. |

Sd/- Principal
Memorial Model Academy,
Yairipok
HL-P/2684/13,14

/ হায়ফম খঙদনা নুংঙাইজরে

সুধাকর (শামু)
ঐগী য়েৎ থংবা কিডনীদা 5mm চাওবা নুঙ অমা লৈরম্বা অদু সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱাৰ্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানিপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) হার্বেল স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোননা পাবুংগী মহূৎ শিন্দুনা ঐবু চয়োল মরি লায়েংবীরবা মতুং অমুক অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংলুবদা নুঙ অদু লৈরমদ্রে। মসিগীদমক ইয়াম্বা সুধাকরবু পাউচেগী থোঙদা হায়ফম খঙদনা নুংঙাইজরে হায়না অপেনবা ফোঙদোকচরি।
Sd/- Khaidem Raghumani Singh
Moidangpok Awang Leikai
HL-P/2548/13,14,15

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST
/ NOTICE FOR OBJECTION
Dated, the 25-04-2022
No.1/prop/SR/2021(IE): It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from the Heingang Apunba Naha Choukhat Thourang Lup on 25/04/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rule, 2004 within the area of operation of Heingang A.C.
In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.
Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.
Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.
Sd/- S. Mahendra Singh
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.
HL-P/2713/14